হুইয়েন লানপাউ

ইরাই, ওগষ্ট ১৯, ২০২২, ইম্ফাল

৪৬শুবা চহী, ১৪৪শুবা মশীং

# ত্রাইবেল পাওনা ব্রজবাসি

## করেম্নবা অমা য়াওব্রা

হন্দক মহারাষ্ট্রগী মুম্বাইগী অন্ধেরি ইষ্টতা লৈবা অমর চিত্র কঠা প্রাইভেট লিমিটেদনা ফোঙলকপা কোমিক্কী লাইরিক অমদা পাওনা ব্রজবাসিবু লৈবাকসিগী ফ্রীদম ষ্ট্রগলগী ত্রাইবেল লিদরশিংগী মনুংদা অমনি হায়রকখ্রিবা থৌওংসিবু করেম্নবনি হায়না লৌরোইদবগী মরম লৈব্রা? চুম্মী, মণিপুর চীংলৈবাকনি। হৌজিক ফাওবা হায়নরকখিদ্রা হায়বদি খঙদে। চহী খরগী মমাঙ ফাওবদি মণিপুরগী মীওইশিংনা মপান্দা চৎপদা ‘জঙ্গলি’ হায়নরকখিবগী ৱাফম লৈখি। হায়জসনু, চীংনা পুমকোই-কোইশিনবা, চীংলৈবাক মণিপুরগী মীওইশিংবু জঙ্গলি হায়রকপা মশানা তাবনি। খূৎহায়দুগী ৱানি। মণিপুরগী মীয়াম্বু মশক তাকপদা ৱাহৈসি শীজিন্নরিব্রা নৎত্রগা হন্থবা, তোন্থবা মীৎয়েং অমগা লোয়ননা হায়রক্লিব্রা হায়বগী ৱাফমদুগী ৱানি। রেসিএল দিস্ক্রিমিনেসনগী থৌদোকসিদি লৈবাকসিগী কোনুং দেল্লী য়াওনা অতোপ্পা মেনলেন্দ ইন্দিয়াদা অনৌবা অমমুক নৎত্রবনি। মণিপুর খক্কী নত্তনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মীওইশিংবু হন্থনা অমসুং তাথী-তাওইনা য়েংবদগী থোরকপা থৌদোকশিং লৈখ্রে। অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি তোয়মল্লকপদগী দেল্লী পুলিসনা অখন্নন নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিং খক্তগী ওইবা স্পেসল সেল ফাওবা হাংদোক্তুনা মথৌ পাঙথোকহল্লক্লিবনি। অসিগুম্বা তাঞ্জাসিদা পাওনা ব্রজবাসিবু ত্রাইবেল ফ্রীদম ফাইটরনি হায়জিল্লকপদি চুম্ব্রা হায়বগী ৱানি। মণিপুর চীংলৈবাকনি, চীংদা লৈববু চীংমী কৌই, তমদা লৈববুনা তম্মী কৌই। চীংমী-তম্মী মচিল-মনাও ওইনা ঙসি ফাওবা নুংশি চান্নবা লৈমিন্নরক্লিবনি। মপান্দগী হুমজিল্লকখিবা অতোপ্পা লাইনীংগী অকনবা শাফুনা চীংমী-তম্মীশিং নাকল অমমমদা হুমদোক্নখিবগী ৱানি, অমত্তা ওইনা লৈমিন্নরকখিবনি।

অদুবু লৈবাকসিগী ফিবান্নুংদা তিনবদগী মীকোক থিবদা ফুরুপ-কাঙলূপকী মখল অমসুং মমিং-মথা লেপথোকখিবদগীদি মণিপুরগীসু ত্রাইবেল হায়বসিনা করম-করম্বা মীওই কাঙলূপশিংবুনো, ত্রাইবেল নত্তবা মীওইশিংনা কনা কনানো হায়বসি নাখৈ শেংনা লেপথোকখ্রবনি। লৈবাকসিগী ফুরুপ-কাঙলূপশিংগী মমিং-মথা অমসুং মখোয়গী মশক য়াম্না ময়েক শেংনা লেপথোকপগী থবকসিসু লৈবাকসিগী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা পাঙথোক্তুনা লাকপনি। মসি ওইরগদি পাওনা ব্রজবাসিবু লৈবাকসিগী ত্রাইবেল ফ্রীদম ফাইটর অমনি হায়গদৌরিবসিগী চপ চাবা মরমশিং লৈব্রা? লৈরগনা করি-করিনো হায়বদু পুথোরক্কদবনি। অমর চিত্র কঠা কৌবা পব্লিশিং হাওস/কম্পেনি খক্তগী ৱাখল্লোন ওইরমদ্রে হায়বসিমসু হৌজিক্তি নাখৈ শেংলে। মরমদি কোমিক অদু লৈবাকসিনা নীংতম্লকপা চহী ৭৫ শুরকখিবগী পাঙথোরকখিবা অজাদি কা অমৃট মহোটসবকী মখাদা মসিগী শরুক অমা ওইনা ফোঙখিবনি হায়বসি অমর চিত্র কঠা অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী মায়কৈদগী পীরকখিবা শেংদোক চেরোলশিংনা ময়েক শেংনা ফোঙদোরকখ্রে। অমর চিত্র কঠা হায়রিবা পব্লিশিং হাওস/কম্পেনি অসিসু ঙরাং নহান্তা লৈরকপা নত্তে। চহী য়াম্লবা/কুইরক্লবনি। মমাঙদা লৈবাকসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংগী শক্লাইরবা মীওইশিংগী মরমদা মরীক চুম্না ফোঙদোকখ্রে। অদুবু অমর চিত্র কঠানা য়াম্না লিরবা পব্লিসিং হাওস/কম্পেনি ওইরবসু মণিপুরগী অমসুং পাওনা ব্রজবাসিগী মরমদা খঙদে হায়বসিদি চৈ লৈতবগী ৱানি। চৈ চারবসু চানা খঙদবা অশেংবা ওইরবদি ফোঙদ্রিঙৈদা অশেংবা/অচুম্বশিং খঙদোক্লবা হোৎনরগা অরানবা লৌথোক্লগা অচুম্বদুদং ফোঙলম্বা করি কাইবগে? অদুগা চাওখ্রবা লৈবাকসিগী মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরনসু ৱাথোকসিগী মতাংদা শোয়খ্রে, লানখ্রে হায়রগা হেক্তা য়াগদ্রা? মী অমা মঙক কক্তুনা হাত্তোক্লুরগা শোয়খ্রে ঙাকপীয়ু হায়জরক্লে হায়দুনা চৈরাক পীদনা ঙাকপীগদ্রা? হন্দক্কীসিদা নত্তে, হৌজ থেঞ্জাং য়ামখ্রে। খোঙজোমগী মণিপুরগী নীংতম লানগী মতাংদসু মীতৈ লান্মীশিং য়েন্নাওদৌনা কোইচেন চেল্লি হায়বা লৈখ্রে। হন্দক্তসু মণিপুরগী পাক-চাওবা স্কৱার কিলোমিটর ৭০০ খক্তনি হায়না পি ঐচ দিগী থেসিস অমদা ইশিল্লম্মী হায়বগী ৱাথোক লৈখিবনি। মতুং মনাওদি চীংমীদা ওইগেরা, তম্মীদা ওইগেরা নৎত্রগা চীংমী-তম্মী অপূনবদা ওইগেরা করেম্নরকপা য়াদে হায়বা চপ চানা খঙহনবা চুমগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৮

১) ‘‘**খানিংপা হোঙনতে মিকোনপা হোঙনতে। খানিং মিকোল আমা তৈপাতি য়িয়ুবা চিঙখোঙ পোইরৈতোন মখুরোনপু কোনপানে।**’’ ৱাহৈ পরেং অনীসি করম্বা অরিবা লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

২) ‘‘**মণিপুরী রাস**’’ হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৩) মণিপুর মপানগী অইবী অমগী লাইরিকনি ‘‘**প্রলয়গী খূৎশোক্তা**’’ হায়বা লাইরিক অসি। লাইরিক অসিগী অইবীসি কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) ‘‘**নিংশিংবগী মীহুৎথোঙদা**’’ হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) ‘‘**...মতম অসিদা গম্ভীর সিংহ অমসুং নরসিং অনীমক কাছারদা লৈরি। ইংরেজগী মায়কৈদগী কেপ্তেন গ্রান্টনা ঔৱাশিংবু তান্থোক্লবা মচিন মনাও অনীগী মতেং নীরবদা নরসিংনা ময়াম্বুং গম্ভীর সিংহগা তান্নরগা ঔৱাশিংগী মথক্তা লান্দাদুনা ঔৱাশিংবু মায়থীবা পীখিবগী মতাং অসিদগী হৌরদুনা গম্ভীর সিংহ অমসুং নরসিং অনীনা মণিপুরদগী ঔৱাশিং তান্থোকখি।**’’ ইতিহাসকী মতাং অসি য়াওরিবা লাইরিক মচা অদু করি লাইরিকনো অমদি কনানা সম্পাদন তৌবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লান তৌনবা তারবসু মীচম শোকহন্দনা তৌনবীয়ু

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

হন্দক মরকসি করিনো ৱাখলসি লানগী ৱাখল ঙাক্তদা পূক্নিংসি হামচেৎ-হামফোইনরকই। মালেমসিদা লান হায়বসিগী ৱাখল য়াম্না নক্না লোয়নরকপগুম তৌই। ইকুই-কুইদনা নুংনাংবা য়াম্না কন্না পোকখিবা লানগী পাউ অমা হায়রগদি রুসিয়ানা যুক্রেনগী মথক্তা লান লাউথোক্লে হায়খিবা নুমিৎতুদগী হৌরগা ঙসি ফাওবদা মায়কৈ অনীমক্না লেপ্পা লৈতনা শোক্নরক্লিবা লানফমসিগী পাউসিনি। হৌজিক ফাওবদা লোইশিনবগী ৱাফম লৈনদ্রি। লান অদুম্মক য়াম্না কন্না চথনরি। অসুম্না মীচং-শঙ্গগী ৱাফম হায়বা অমসু লৈনবনিনা হৌজিল্লুরগা লান হেক্তা লোইশিনবা য়াদে হায়বগী ৱাফমসিবুদি অসুক্কী মতিক চুম্লবনি। রুসিয়া অমসুং যুক্রেন লৈবাক অনীসিগী লানগুম চাইনা অমসুং টাইৱান লৈবাক অনীসিগীসু হৌজিকসি লান লাউথোকপা য়াবগী ফীভম য়াম্না কন্না নকশিল্লক্লি হায়নরিবনি। মালেমগী লৈমায়সিদা কনাবুসু কিবা লৈরকত্রবা মপাঙ্গলদা লম্বা লৈররোই খন্দুনা কন্না চাংয়েং তৌবা পাম্লক্লিবা চাইনা লৈবাক্কী ৱাখল্লোনসিবুদি কনানসু ফাথবা খক ঙম্লোই। অদুগা নাকল অমরোমদনা, মতমসিদা মালেমগী মাঙজিল খরা-খরা থানা মমিং পন্নরক্লিবা লৈবাকশিংনা হেন্দোক-হেঞ্জিন তৌরক্তুনা সুপর পাৱর ওইরিবা অমেরিকাবু থৌওই-উশিৎলক্তবগী থৌদৌশিং উৎলকপদা মশোং কারিবদু নমথদুনা মরূ-ময়াং ফাওবা য়াওনা থুদেক্কে হায়রক্কদৌরিবা অমেরিকানি। নোংমা মপা চারুবা অমদদি ঐখোয় ইৱা-ৱাদনা শোয়দনা থেংনরবসু য়াই ‘অহুমশুবা ৱর্ল্ড-ৱার অমগী চপ চানা ওইথোকপা য়াবা ফীভমশিং’। অদুগা, ঐখোয়সু কা হেন্না খক থৱায় ৱাশিনফমদি থোক্তে। ঐখোয়না থোকহন্নীংদে হায়রগা মালেমসিদা ৱর্ল্ড ৱার খক থোক্লোইদবসু নত্তে। অদুগা, অমুকসু ঐখোয়না থোকহন্নীংই হায়রগসু ৱর্ল্ড-ৱার হেক্তমক থোক্কদবসু লৈতে। অদুম ওইনমক ঐখোয় হীরম খুদিংমক্তদি চেকশিনহৌবগী মথৌ তারি।

হৌজিক্কী মতমসিদা, মালেমসিগী লৈমায়সিদা চাওখৎ-লমজেলদা হীদান্নরিবা লৈবাকশিং কয়ামরুম্না অমগা অমগা ক্রক-ক্রক য়েংশিন্নরি অমসুং ঙাইহাক লৈতনা নীংঙাই শংদান্নরি। অসিগুম্বা লৈবাকশিংগী মরকসিদা পৈশিন্দুনা থম্নরিবা লানগী খূৎশু-খূৎলায়শিংসি অঙকপনি, শাথীবা মওংশিং ঙাক্তনি। শুপ্নগী খূৎলায় অমমম খক্তনা মালেমসি মিৎনা কূপ্পদা মহী চেনহনগদৌরিবনি অদুগা উৎকী মপৈগুমসু তুমহনগদৌরিবনি। ফীভমশিংসিদা মালেমসিগী লৈবাক কয়ামরুম্না লৈবাক অমগা লৈবাক অমগগী মরক্তা লান থেংনবা য়াবগী ফীভমদা লৈরেদং হায়বদা ঐখোয় পূম্নমকসি য়াম্না নক্না ঐখোয় শ্বাইদা থোক্কদবমক নৎত্রবসু থবাক্কী মীহুল অচৌবসিমদি হেক্তমক চেনগুম-চেনগানবগী থৌদৌশিং থোক্লরিবনি। তৌবদি মালেমসিবু পুমতুম-তুমহনবা ঙম্লিবা খূৎলায় হায়বসিবুদি ঐখোয়না তরায়-তরায় লৌরুবা য়াবসু নত্তে। ফীভমসিদনি হৌজিক্কী মতমসিদা মালেম পূম্বসিগী মনুংদা মফম অমদা নৎত্রগা অমদা হেক্তা লান হায়বা ৱাহৈসি পন্নরকপা মতমদা হকচাংদা পাখৎপগী থৌদৌশিংনা তুখোঙ খুদিংমক্তা অমত্তা চিথদনা অৱাবগী হুমাংশিংনা ইফুৎকুম ফাওনরিবসি। অদুম ওইনমক তঙাইফদনা লানসি তৌনদবা য়াদ্রে হায়রগদি লান তৌনবা মতমদা মীচম-মীয়ামশিংবু তশেং-তশেংনমক শুংশোয়-শোয়দনা শোকহল্লোইদবা মফম অমদা হান্না শীন্দোক্লবা মতুংদা খক্তা লান থেংনবগী ৱাফমশিং লাউথোকপীয়ু নৎত্রগদি মায়কৈ কয়ামুক্না লান হায়বসি শুপ্নতগী অকি-অখংশিংগীতা ওইবা অচৌবা থৌদৌ অমা ওইনা লৌহৌরগনি। মালেমসিগী লৈবাক কয়ামরুম্না মখোয় মশেন অমগা অমগা কয়ারক মুক্নরবসু মীচম-মীয়াম শোকহনবা য়াবা থৌদৌশিংবুদি মতম চূপ্পগী ওইনা নোংমতসু খক তৌরোইদবনি। পঞ্জরিবা ৱাফমশিংসি ৱারেপ ওইনা লৌশিনবীবদসু থোইনা কাইরোয়দব্রা খল্লি। লান হায়বসি তশেংনা মীওইবগী অচৌবা য়েক্লবা অমনি। লান-না মীওইবদা পীরিবা কান্নবসি করিনো? ঐখোয়না লান হায়বসিবু অসুক য়াম্না খোয়দানা লোয়ন-তিন্ননীংলুরিবসি করিগীনো? মালেমসিদা মীওইবা কাঙলূপ্না লৈরকঙৈদগী হৌনা লান হায়বসি ঙাইহাক লৈতনা থেংনদুনতা লাকখ্রবনি। অদুবু ঙসিসু মীওইবা কাঙলূপনা লান থেংনবগী পেনবা খক নাইদবগুম উনরিবসি কনাগী থৌইনশিন্ননো? থৌদৌসিগীদমক চপ-চানা নৈনবা চঙদ্রিবরা? মসিবুরা তাইবঙপানসিগী চৎনবী হায়রিসি? অমবু ওইরসু অমবু ওইরসু তাইবঙ মীওইবনা লান পান্থবগী চৎনবীসিনা কান্নবা পুরক্লবগী লম্বীশিংদি কৈদৌঙৈদসু খক ওইথোক্লরোই। লান ঙম্লগা মায় পাকপদুনা তোংজবনি খল্লিবসি তোংজবা খক ওইরোই। লান ঙম্লগা ফংলক্কদৌরিবা পোৎশকশিংসি করি-করিনো? পোৎশকশিংদুগী মপু অমমমদি শোয়দনমক্কী লৈরম্ফম থোকই। মপুদুনা মাবু মায়থীবা পীরম্বা মিৎকুপ্তুদগী হৌরগা, খুদোংচাবা য়েংদুনা শীংনদুনা ঙাইরগা লৈখিবগী থৌদৌ নুমিৎতুদগী হৌরম্লনি। ৱাফমসি ঐখোয়না খক কাউরোইদবনি। লাননা লানগা মরী লৈনদবা, লানসু য়াওজদবা মীচম কয়ামরুম্বু তত্তনা হাৎতোকপীরিবসি তৌহন্নীংদে। থৌদৌসি তশেংনা লাল্লবা অমনি।

মথক্তা হঞ্জিন-হঞ্জিনসু পঞ্জখ্রে, লান হায়বসিনা মালেমসিদা মশীং থিঙমদ্রবা মীওই কয়ামুক্কী মপুন্সিশিং অরেম্বদা লম্মখাঙদা মাঙহল্লি। হীসাব পাবা ঙমদ্রবা, মশীং খঙদ্রবা লন-থুম কয়ামুকপুসু লানফম খুদিংগী মাঙহন-তাকহল্লি। নাকল অনীমক্কী ওইনা মমল নাইদ্রবা খূৎশু-খূৎলায়শিং, পোৎ-চৈশিং মশীং খঙদনা মাঙহনখিবগী মথক্তা লান শুকয়াও-য়াওজদবা, মরাল লৈজদবা মীওই কয়ামুক্কী থৱায়শিংসু অরেম্বদা লম্মখাংদা মশীং থিঙমদনা মাঙহনবীখ্রবনি। থৌদৌশিংসিনা লান হায়বসিনা মালেম ফম্পাকথকসিদা করি-করম্বা মখলগী তোংজবশিং অমুক হন্না পুরক্লিবগে হায়বসি নৈনদুনা ঐখোয় অমগা-অমগা ৱাখল তামিন্ননবা হোৎনবা চুমগনি। মথক্তা পনখ্রিবা থৌদৌ অপূন্বসি লান হায়বসিমা লাউথোক্লককপসিদগী ওইহল্লকখিবনি। ফীভমশিংসি খল্লুবদনি, মালেমসিদা লান হায়বসি অমুক হন্না লাকহল্লগুমসি হায়রিবসি। অদুগা তঙাইফদনা লান তৌনদবা য়াদ্রগনা লৈবাক্তুদা লৈজরিবা লাঞ্জদ্রবা মীচম-মীয়াম পূম্নমক্তু লাননা মরম ওইরগা অৱাবা মচেৎ অমা ফাওবা তাহনবীগনু অমসুং লানগী চৈথেংনি হায়বা মচেৎ অমত্তং ফাওবসু ফংহনবীগনু। হৌজিক্কী মতমসি নাকল অমরোমদা হায়রগদি তশেংনা চাওখৎপদা মপা লৈত্রবা অমসুং পন্দোন লোম্লবা মতম অমনি। অদুগা লুরিবনা নোংম-নোংমগী চাওখৎপা হেঙ্গৎলকপগী মতিক মালেমসিগী লৈবাক খুদিংমকসি অমগা-অমগা য়েংথীনবগী চাংশিং ৱাংখৎলকই অমসুং উশিৎ-থৌওইনদবগী অমদি মুক্লবগী ফীভমশিংসু হেঙ্গৎলকই। থৌদৌশিংসিনা ঙসিগী মালেমসিদা লৈবাক অমগা লৈবাক অমগগী মরক্তা ঙাইহাক লৈতনা লানগী মরূ-ঈহুলশিং তমহল্লকই। অসুম্না লাননা ঙাইহাক লৈতনা মালেমসিদা মীচম-মীয়ামসিবু হঞ্জিন-হঞ্জিন চাংদম্ননীংঙাই লৈতবা মওংদা ৱাহল্লি। পূম্নমকসি মুন্না য়েংলগনি মালেমসিদা পূন্না হিংমিন্নরিবা ঐখোয় খুদিংমকসিনা করিসু কান্নদবদা অমুক হন্না য়ারিবমখৈ লান হায়বসি শুকথোক-থোকহন্দনবা হোৎনমিন্নরসি হায়রিবসি। অদুগা মসিদা করিগুম্বদা য়ানীংদবা ওইরগনা তশেংনা মালেমসিদা লান পান্থা অমসুং লান তৌননবগীদমক শেম শারিবা কাঙবুশিংনা লান পামজদবা অমসুং লান য়াওজনীংদবা মীচম-মীয়াম পূম্নমকসিবু লান তৌনরোইদৌবা মফমশিংদা হান্না থৈদোক্তুনা থম্বীরগা শুপ্নগী লানফম অমত্তগসু মরী লৈনহনবীদনবা হোৎনবীয়ু। শম্না হায়রবদা, লান পামদবা মীচম-মীয়ামগী কাঙলূপসি শুপ্নগী শম্না মফৈ অমত্তগী মাল ফাওবা হেক লানগা শোক্ল-শম্নবা তৌহনবীগনু অমসুং লাঞ্জেন্নবসু য়াওহনবীগনু। ৱাফমসি মালেমসিদা লৈরিবা লান পামজদবা মীচম-মীয়াম পূম্বসিগী ৱারেপ অমা ওইনসু লৌনরিবনি।

মালেমসিনা হৌরকঙৈদগী হৌনা ঙসি ফাওবসিদা মালেমগী ফম্বাকথকসিদা লেপ্পা লৈতনা লান হায়বসি উনরক্লবনি। অদুবু, লানগী কান্নবনি হায়বা শুপ্নতগী পোৎশক অমখক্তংগী খুদম-চাংদমশিংদি ঙসি ফাওবসিদসু ঐখোয়না সিনা মওইরে হায়বসি চপ চানা খন্দোকপা ঙম্নদ্রি। শুপ্নগী লান পান্থা মীওই খুজোক অমখক্না শিনবা লানদা লান পামজদবা মীওই লিশীং-লিশীংনা বলিগী হামেংগুম য়াওনীংদ-য়াওনীংদা নমদুনা শরুক য়াহনবগী থবকসি য়ারিবমখৈ তৌবীরক্লনু। আমেরিকানবু ওইরো নৎত্রগা চাইনানবু ওইরো হন্দক্তি মালেমসিগী মীয়ামসিদা লান তৌননবা মচাকশিং খোমগৎলকপা কাঙবুশিং য়ারিবমখৈদি থৌওই-ৱাওইনা তৌবীরনু। অদুম ওইনমক মালেমগী লৈবাক ময়ামসিগী মরক্তা ইশাগী লৈবাকসিগীসু ফোরেন পোলিসি হায়বসিমসু লৈতবদি য়াদবনিনা মায়কৈ অমরোমদদি অৱাবা অমসু শোয়দনা ওইনদৌরিবনি। খঙদে মীচম ঐখোয়গী ৱাফমদি য়ারিবমখৈ লান হায়বা থৌদৌসি তৌনদনবগীদমক ফিরেপ লৌহন্নীংই। ●

# লায়রবা মীয়ামগী খল্লগা লৈবাক ঙাকপীয়ু

## (নোংমগী চাগদবা চিঞ্জাক মমল ৱাংবনা মীয়াম ঙমখৈ লৈতনা ৱারে)

— কর্নেল ঐচ সরত (রিটাইয়র্দ) —

নহানৱাই অঙাং ওইরিঙৈদা ঐহাক্না উজখিবা মী অয়াম্বসি অঙাং ওইরো নৎত্রগা অহলবু ওইরবসু ইকায়দুনা মায়সি ঙাংশং ঙাংননরমখি। করিগুম্বা অরানবা, অরোনবা থবক অমা তৌরুবদা খঙনরক্লবদি হায়দুনা য়াম্না ইকায়নরমখি। লোৎতুনা খাঙনরমখি। মায়সি ঙাংশং ঙাংনরমখি। লোগী ৱাংমদা থবক তৌরুবগী জেল চঙলুবসু হৌজিক্তি ইকায়নদ্রে। চেগী লৈ পরেংদুম ঙকশমদা জেলগী মেদল ফংলকপগা চপ মান্ননা থেৎলগা পাউচেশিংদা উরি। পাউচেগী অহানবা লমায়দা হুরানবগী, মী হাৎপগী, দ্রগ লল্লোনবগী, লমচৎ-শাজৎ লুদবগী ৱাথোক য়াওরবসু কনানসু সিরিয়স ওইবা, ইকায়না লৌনদ্রে। ফত্তবা থবক তৌবা মীনা ইকায়বা খঙদবা মীশিংনা হেন্না ইকায়খুম্নবা খুন্নাই হায়বদু ওইরি। ইকায়বা খঙদবা মী হায়বসিনা কৈদৌনুংদা শিংথানীংঙাই ওইবা থবক অমত্তদি পাঙথোক্লম্বা ঙম্লোই। ইকায়দুনা ফি শেৎলিবা ঐখোয়না করিগীদমক মায় ঙাংগদৌবা থবক করিগী পাঙথোকফম থোকপগে?

হৌজিক্কী মতমদা মণিপুরগী ইমুংদসু, মপান্দসু, ওফিসশিং, বেঙ্ক, লম্বী চৎপদা ফাওবা অহল ওইরবশিংগী মতেং পাংবীনবা কনাসু লৈশিল্লক্ত্রে। অতোপ্পা ষ্টেটশিংদদি সিনিয়র সিটিজনগী কাউন্টর অমা বেঙ্কতা, ওফিসশিংদা, বস, মেত্রো, ত্রেননচিংবদা তোঙান্না থল্লি। মফম অসিদদি অহলশিংগী পুন্সি য়ৌররোইদবশিংনা খুন্নাই অসি খাবৈ-খারা শারগা অহলশিংবু হেন্না ৱাহল্লি। চাওখৎপা, তমজনীংঙাই ওইবা থবক হায়বসি চাওখৎপা মীনা পাঙথোরক্কদবনি। চাওখৎতবা মীনা চাওখৎপা থবক পাঙথোকপা ঙম্লোই।




খুন্নাই অসিগী মফম খুদিংদা মতম পূম্নমক্তা অহল-লমনশিংগী মফম য়াম্না চাউনা থম্বীয়ু। অহল ওইরবা-ওইরবী অমবু ইকায়খুম্নদ্রবা ইমুং, লৈকায়, লৈবাক অদু মালেমসিগী লৈবাকশিংনা ইকায়খুম্নরোই। ৱাফম অসি লৈবাকসিগী মীপূম খুদিংনা খঙফম থোকই। খুদম ওইনা মচা ৭/৮ পোকপা মমা মপাবু মচা অতোনবা অদুনা শিন-লাংলগা পুন্সি হিংলবদি কনানা ইকায়খুম্নগনি? অহলগী মহুৎ অঙাংনা শিনবা য়াবা নত্তে। নুমিৎ-থা উবা হানবা হায়বসি পুন্সিগী লম্বৈলদু হান্না চৎলম্লবনি। হৌজিক্কী নহাশিংনা অহলশিংবু লুনা-চান্না তৌবীয়ু নখোয়না অহল ওইরক্লগা মফম চাউনা কল্লগা লৈননবা। অঙাংনা অহল ওইবীগনু। ইকায়খুম্নবা হায়বসি অফবগী, চাওখৎপগী খুদমনি।

হৌজিক্কী মতমদা খ্বাইদগী ঙক্না-নোক্নিংবা অমনা লৈঙাক্কী ফম শেন্নরিবা মীওই খরনা মীচম মীয়ামদা মীনম্বা অসিনি। লৈঙাক্কী শেল্লিবা বডজেটতা, ফম অদুগী কন্টিজেন্সি প্লানদা লুপা ক্রোর, লিশীং-লিশীংগী ফন্দ লৈবা নত্তে, বডজেটতা য়াওদে। ফম্নাইবনা লাউথোক্লবগী বডজেট ফন্দ অমত্তা লৈতে। গভর্ণমেন্টকী ফন্দ হায়বসি মীয়ামগী টেক্সশিং খোমগৎপা, চাথোক পোথোক্তগীনি। শিনবী লাংবিরিবা ফম্নাইবা অমগী পোকেটতগী শেল ময়েক অমত্তা য়াওবা নত্তে। পব্লিক মীটিংশিংদা পোংনা-চাউনা লাউথোকখিবা শেলশিংদু মীচম মীয়াম্না ফংই হায়বা তাবীখ্রবরা?

ইশামক্তা থোকখিবা খুদম অমত্তং ইজগে। চহী খুদিংগী জুলাই ২৬ অমসুং দিসেম্বর ২৬ অসি বিজয় দিবস হায়রগা রাজ্য সৈনিক বোর্দ ওফিস কমপ্লেক্স লম্ফেলপাৎতা পাঙথোকখি। মিনিষ্টরগী মমিংদি ইজররোই। তাইবঙপাল থাদোকখ্রে অমদি। এক্স-সর্ভিসমেন এন্দ ৱিদোগী ৱেলফ্যের মিজর ওইননবা লুপা লাখ অমা দোনেট তৌরে হায়না ফঙ্কসন অদুদা লাউথোকপীরমখি। অদুগা প্রসিদেন্টনা লুপা লিশীং তরা খক হাপচরে হায়রমখি। চীফ গেষ্ট অদুনা এম যুদা প্রোফেসর ওইরমখি। প্রসিদেন্ট অদুনা মীগী ডাক্টরনি। লমদম অসিগীদি মতিক চারবা মীওই ঙাক্তনি। লাউথোকপীরম্লবনিনা করম্না দোনেসন অদু ফংগনি খঙখিদে। ঐহাক্না Hon. Captain Emy Jamy, Tamenglong দা হায়জরগা মিনিষ্টর অদু উন্নবীয়ু অমসুং ফন্দ অদু ৱেলফ্যের ফন্দদা হাপ্পনবা খঙহনখি। হান্নদগী খঙনবা মখোয় মশেল ওইবনা ফগানি খল্লগা মীয়ামগী মমাঙদা লাউখিবা শেনফমনি, অদুনা খরা থুনা শোয়দনা পীরক্কনি খল্লগা থাখিবনি। মিনিষ্টর অদুনা অসুম্না হায়রকখি হায় - ‘মীটিংদা লাউথোকপবু, মীয়াম্না ঙাইহাক তাবদা নুংঙাইনবা পংহায় হায়খিবনি’ হায়রকখি। অসুম্না মীটিংদা ফম্নাইবশিংনা হায়বা ৱাসিদি করিসু ওইনা খল্লুবা য়াদে। ৱর্ল্ডগী ষ্টেজ অসিদা মীওইবনা শান্নরিবা লীলা অসিদি লোইবা নাইররোইদবা মখল মখলগীনি। চহী খরা কুইনা হিংবগী লীলা-মেলা মখল কয়াগীসু উরি, তারি অমসুং য়েংবসু ফংলি।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা, প্লাষ্টিক হায়রিবা পোৎ অসি মতোমতা তুমশিন্নবা হোৎনবদা চহী ৪০০-৫০০ ফাওবা চঙই হায়রি। প্লাষ্টিক অসি তুংগী মীরোলশিংগীদমক্তি য়াম্না ৱাহনগদৌবা, মালেমগী ওইনসু য়াম্না মাঙজনীংঙাই ওইবা পোৎ অমনি। শা-ঙা কয়া প্লাষ্টিক চাশিনবদগী শিরি। প্লাষ্টিক অসিগী মাঙজবসি ঐখোয় পূম্নমক্না খন্থফম থোকই। মণিপুরগী মফম খুদিংদা প্লাষ্টিককী পোৎ চৈশিং তাবা উরি। মসি কনাগুম্বা অমগী মথৌ ওইদরে, করম্না লোইশিনগনি হায়বসি। ৱাফম অসি ইজরিবা ঐহাক্না চহী ২২ মুক্কী মমাঙদা ইজখ্রে মদুদি লোক্তাক পাৎ অসি প্লাষ্টিককী পাৎ ওইরকপা য়াই হায়না। পাৎ অসি য়েংশিল্লিবা মওংসি চয়েৎনবা য়াম্না লৈরি। ফম্নাইবশিংগীনা শেল পেকফম, লায়রবশিংগীনা ঙা ফাফম ওইরিবসিগী অরোইবা মতম অমা শোয়দনা লাকখিগনি।

ইম্ফাল ময়োল ফাওরগা চেল্লিবা তুরেল মচা নম্বুল অসিনা চেম্থরিবা পোৎ চৈশিং অসি অঙকপগী সিননি। পোৎ চৈ পূম্নমক লংথৈ, তুরেল অসিগী মপান্দা তারিবা য়ূমশিংগী চেল্লিবা দষ্টবিন অমগুম্লে। অচাকপা ট্যুব লাইট ফাওবা লংথৈ। লংথদবা পোৎ চৈশিং অমত্তা য়াওদ্রে। পূম্নমক অসি লোক্তাক পাৎতা তারিবনি। হৌজিক্কী জেনরেসনগী নুংঙাইবদু তুংগী মীরোলগী মাঙজরিবনি হায়বদু খন্থহন্নীংই। লোক্তাক পাৎতা ঙাইরে। পাৎ মচা মচা কয়া লোইখ্রে। মণিপুরগী ক্লাইমেট কন্দিসন অসি লোক্তাক পাৎ লোইখ্রবদি ওন্থোকপা মওং অমদা ওইরক্কনি। ৱাফম অসি মণিপুরদা পোক্লিবা ঐখোয় খুদিংমক্কী ইথৌ ওইসি। লোক্তাক কনসি। মণিপুরবু নুংশিরবদি মণিপুরদা অকায়বা, অশোয়বা, মাঙজবা থবক তৌবা লেপ্পসি। মণিপুর গভর্ণমেন্টনা পোলিসি অমা শেল্লগা মফম খুদিংদা তারিবা প্লাষ্টিক অসি তাহনবগী মতম লোইশিনবীয়ু। প্লাষ্টিক ফ্রী কংলৈপাক অমা অমুক ওইহন্নবা হোৎনবীয়ু। করিগী ঙম্লোই?

ইজরিবা ঐহাকসি ভুটানদা থা ৬ মুক লৈজরকখি। য়ূমথংনরিবা লৈবাক অসিগী চৎন-কাঙলোন, লমচৎ-ব্যবহার, নিংথৌগী, ফম্নাইবশিংগী মথৌ ফজনা পাঙথোকপগী থবকশিংদি য়াম্না ফিদম্নিংঙাইনি। পীকখ্রবা লৈবাক অসিগী থবকশিংদি চাওখ্রবা লৈবাকশিংগী মীওইনা পাঙথোকপা ঙমদ্রি। হন্দক ভুটানগী নিংথৌনা য়ূমথোঙ খুদিংদা মশামক্না চৎলগা মীয়ামগা উনখিবদু ৱর্ল্ড রেকোর্দ ওইখ্রবনি। চঙবা য়াদবা মফমদনা মখোঙনা কিলোমিটর কয়া চৎখি। শগোল তোংলগসু চৎলগা মীয়ামগা উন্নখি। মালেমগী ফম্নাইবা অমত্তনা মহাক্কুম্না মথৌ পাঙথোকখিদে। ভুটানগী নিংথৌদি য়ুনাইটেদ কিংদমগী ওক্সফোর্দ, কেমব্রিদজ য়ুনিভর্সিটিদা মঙাল ফংবা এদ্যুকেসনগী ৱাখল খনবা তম্লকখি। মশামক্না ভুটানগী কোষ্টুম, কলচর, ত্রেদিসনেল ভেল্যু ঙাক্না চৎলি। অফবা খুদম হায়বসি মপী-মপানা মচাশিংদা উৎপা তাবনি।

ভুটানদা প্লাষ্টিক কমপ্লিটলি বেন তৌই। লৈঙাক্কী য়াথং মীয়াম্না ঙাক্না চৎলি। গভর্ণমেন্ট হায়বদি মীয়ামগীদমক লৈরিবা অমসুং মীয়ামগী য়াইফনবা হোৎনরিবা পূম্নমকপু ইকায়খুম্নে। করপসন ফ্রী ওইবা ভুটাননি। মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী গ্রীন ওইরিবা লৈবাকনি। চাদা ৬০দগী ৭০দি ফোরেষ্টৈদ ওইরি লৈবাকসি। উ-ৱা অমত্তা য়ানবা য়াদে। হুরানবা থবকশিং পাঙথোক্তবা লমদমনি। চহী ১০০ হেল্লবা উগী য়ূমশিং য়াম্না লৈরি।

ভুটান্দা পুলিস দিপার্টমেন্টকী মথৌ তাদে। কোর্টকী ৱায়েল বিচারগী থোইদোক্না মথৌ তাদে। লম্বী সরক্তা নোংমৈ পায়বা, য়ুনিফোর্ম শেৎপা অমত্তা উরোই। ত্রাফিক সিগনেল থমদে। করিগুম্বা মতমদা নিংথৌনা লম্বীদা গাড়ী তোংদুনা চৎপদা মীপূম খুদিংমক্না ইকায়খুম্নবা উৎলি। মীয়াম্না গাড়ী খান্মী, গাড়ীদগী কুমথৈ। মহাক্কী মতিক-মগুণ অদুবু ইকায়খুম্নে। অসিগুম্বসি ঐখোয়গী কংলৈপাক অসিদদি মাঙবগুম্বনি। ওন্থোক্না খেন্নখ্রেদা!

ওগষ্ট ১৭, ২০২২ ফাওবদা উরিবা মণিপুর খুন্নাইগী ৱাফম অমত্তং ইজরি। নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট নিপালসিদা উরিবা সিন অসিগা মণিপুরগা য়াম্না খেন্নরি। এন ঈ ষ্টেট অমত্তদা নোংমৈ পায়বা, য়ুনিফোর্ম শেৎপা মীওইশিং ইম্ফাল এরিয়াদা উরিবা অসুম্না উদে। ইম্ফাল এরিয়া অসি আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পাৱর এক্ট লৌথোকখ্রে হায়নৈ। অদুবু নোংমৈ পায়বা অমসুং য়ুনিফোর্ম শেৎপা মীদি মশীং খঙদনা উরি। নোংমৈ পায়বসি অফবগী, চাওখৎপগী খুদম নত্তে। আইজোলদা নোংমৈ পায়বা মীওই অমত্তা লম্বী সরক্তা উরোই। বেঙ্কতা, ওফিসতা, মফম অমত্তদা সিক্যুরিটি গার্দ লৈতে, থমদে। মণিপুরদদি সিক্যুরিটি গার্দ থম্বসি অনৌবা ফেসন অমনি। মথংদনা করি? ঙসি মণিপুরদা ফম্নাইবশিংনা শীজিন্নরিবা গাড়ীশিংগী থাওসি মীয়ামদগী খোমগৎখিবা টেক্সতগীনি। গাড়ী ২০/৩০ পুরগা চৎলগা হেন্না মতিক-মগুন লৈবা শাবা য়াবরা? এন ঈগী ষ্টেট অমত্তদা অসিগুম্বা নিতি-নিয়মসি লৈতে, তৌদে। অতোপ্পা ৱাফম অমগনা হৌজিক মণিপুরদা খঙদ্রবা আর্মি, অসাম রাইফলস, সী আর পি এফ, বি এস এফ, সী আই এস এফ, বি আর টি এফ, রোদ কন্সত্রক্সন-বিল্ডিং কন্সত্রক্সন ৱার্করস, সী বি আই, আর এ দব্লিয়ু, এস এস বি, এস আই, সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী এমপ্লোয়ী কয়া মরিপুরদা থোকচবা পোৎ চৈশিং চারি। চাবিনবনা হেল্লি। পোথোক্না ৱাৎলি। লায়রবা মীয়াম্না নোংম-নোংমগী ৱানা হিংলি। পূম্নমকসিগী মরম খন্থবগী মতম লৈত্রবরা? মশীং হন্থহনবীয়ু, শোয়রিবশিংসি শেমদোকপীয়ু। পোৎ চৈশিংসি য়াম্না তাঙলে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।